# ফাইজর / বাইওএনটেক্কী ভেক্সিন য়ু কেদা মথং চয়োলদগী শীজিন্নবা য়াহনখ্রে




লন্দন, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সী) : য়ুনাইটেদ কিংদমনা ফাইজর/বাইওএনটেক্কী কোরোনাভাইরস ভেক্সিন এপ্রুভ তৌবা মালেমগী অহানবা লৈবাক ওইরে। বৃটিশ গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং অসিগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা মথং চয়োলদগী মাস ভেক্সিনেসন হৌবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে।

চাদা ৯৫ ফাওবা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোকপা ঙমই খঙলবা ভেক্সিন অদু লোঞ্চ তৌবা য়ারগদবা মওংদা খুদোংথিনীংঙাই ওইদ্রে হায়না বৃটেনগী হীদাক-লাংথক্কী রেগ্যুলেটর এম ঐচ আর এনা হায়রি।

ভেক্সিন অদুগী অহানবা দোজ ৮০০,০০০ য়ু কেদা মথং চয়োলদগী ফংলগনি হায়না হেল্থ সেক্রেটরি মাট হেনকোকনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না হৌজিক এন ঐচ এসনা কন্টেক্ট তৌরকপা ঙাইগদবনি হায়খ্রে। করম করন্বা মীওইশিংদা হান্না ভেক্সিন থাগদবা হায়বগী অকুপ্পশিং কোন্না খঙনগদবা ওইরবসু ক্যের হোমদা লৈরিবা অহল ওইরবা মীওইশিং অমসুং এন ঐচ এসকী ষ্টাফ খরদা হান্না ভেক্সিন থানবা খন্নগনি হায়রি।

ফাইজর/বাইওএনটেক্কী ইঞ্জেক্সন অদুনা খ্বাইদগী হেন্না থুনা পুথোকপা ভেক্সিন ওইরি। মহৌশানা ইফেক্তিভ ভেক্সিন অমা পুথোকপদা চহী কয়া চঙনরবসু শীজিন্নবা য়ারবা কোরোনাভাইরসকী ভেক্সিন অসিদি থা ১০গী মনুংদা পুথোকখি। মীওই মিলিয়ন ২০দা ভেক্সিনেট তৌবা য়ারবা ফ্রি জেব দোজ মিলিয়ন ৪০ হান্না য়ু কেনা ওর্দর তৌদুনা থমখ্রে।

বেলজিয়মদা লৈবা কম্পনিনা থুনা শাবা ঙম্বগী মতুংইন্না ভেক্সিন দোজশিং পাক্তক্লনা ফংহনগনি। অহানবা লোদ মথং চয়োলদা লাক্লগনি অমসুং দিসেম্বর থা মনুংদা দোজ মিলিয়ন কয়া শাদুনা থারক্লগনি হায়না হেনকোকনা ফোঙদোকখি।

ভেক্সিনগী অয়াম্বা দোজদি মথংগী চহীদা শাগনি হায়না পল্লদুনা হেল্থ সেক্রেটরিনা হায়খি, কুমজা ২০২০ অসি খরা নুংঙাইতবা চহী ওইরি। মথংগী চহী ২০২১না খরদি ফৱগনি। ঙসিগী পাউ অসিনা ঐখোয়দা থাজদবা অমা পীরে। স্প্রিং সিজনদগী, ইষ্টরগী মতমদগী লায়না লাইচৎ অসিগী মেনেজমেন্টদা হেন্না ফৰা ফীভম উবা ফংলগনি। মথং চহীগী কালেনদা ঐখোয় খুদিংমক নুংঙাইবা ফংলগনি হায়না হেনকোকনা মখা তাখি।

প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জে ান্সন্না ফোঙদোকখিবদা, ভেক্সিননা পীরিবা প্রোটেক্সন অসিনা ঐখোয়বু অমুক হন্না মহৌশাগী পুন্সি মহিংদা লাকহনবগা লোয়ননা শেল-থুমগী থবক থৌরমশিংসু মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিনহল্লগনি। য়ু কেগী মীয়ামদা ভেক্সিন থাবগী লম্বী অহুম লৈগনি। অহানবদা হোস্পিটালশিংনি, অনীশুবনা নাইটিঙ্গলস প্রোজেক্টকুম্বা ভেক্সিনেসন সেন্টরশিংনি অমসুং অহুমশুবনা জি পিশিং অমসুং ফামাসিষ্টশিংনা মরু ওইবা থৌদাং লৌগদবা মওংদা কম্যুনিটিদা ভেক্সিনেসন চথবা অসিনি হায়না বৃটিশ হেল্থ সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখি।

# হোং কোংগী এক্টিভিষ্ট জোসুৱা ৱোং থা তরাহুমদোইমখায় জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে

হোং কোং, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সী) : হোং কোংগী খ্বাইদগী মশক নাইবা দিমোক্রেসি এক্টিভিষ্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মশাগী চহী ২৪ শুরবা জোসুৱা ৱোং কুমজা ২০১৯দা লোনা য়াদবা মওংদা পাঙথোকখিবা এন্টি-গভর্ণমেন্ট রেলিদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাংগা মরী লৈননা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা থা তরাহুমদোইমখায় জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে। মদু চহী অসিদা ওপোজিসনগী মীওই অমদা পীবা খ্বাইদগী শাথীবা চৈরাক ওইরি।

কুমজা ১৯৯৭তা হোং কোংবু চাইনিজ লৈঙাক্তা শীন্নখিবা মতুংদা হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অসিগী মীয়ামগী ফ্রীদমশিং অমসুং ওপোজিসনগী মীওইশিং লাকশিন্নবা অহেনবা খোঙথাং কয়া বৈজিংনা শৌগৎপা গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলকখিবগা লোয়ননা এক্টিভিষ্ট জোসুৱা ৱোংদা জেলগী চৈরাক পীখিবনি। ওপোজিসন অমসুং মীয়ামগী ফ্রীদমশিং লাকশিন্নবা হোৎনৈ হায়বা ৱাফম অসি বৈজিং অমদি হোং কোংগী ওথোরিটিশিংনদি য়াদ্রি।



হৌখিবা চহীগী জুলাইদা মীয়ামগী প্রোটেষ্ট কল্লিঙৈ মনুংদা সিটি পুলিস হেদক্বার্টরস মনাক্তা মীয়াম তীলহন্নবা শিন-লাংবদা মহাকসু য়াওখি হায়বসি ৱোংনা য়াজখি। আইন্না য়াদনা মীয়াম পূন্নবা শীল-লাংবদা শরুক য়াখিবগীদমক্তা মহাক চহী অহুম ফাওবা জেলদা লৈবগী চৈরাক ফংবা য়াবগী ফীভমদা লৈখিবনি।

চৈরাক্তু লাউথোক্ত্রি ঙৈগী মাঙওইননা সপোর্টর ১০০ রোম কোর্ট মনুংদা তুমিন্না পুল্লগা লৈখি। বৈজিং শৌগৎপা মীওই কাঙবু অমনা মপান্দা লৈদুনা চৈরাক চাউনা পীনবা দিমান্দ তৌখি।

লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসি ৱাগনি হায়বা খঙলবসু ঐখোয়না খোঙফম চেৎনা লৈগনি হায়না কোর্টনা মহাক্কী চৈরাক অদু লাউথোক্লবা মতুংদা ৱোংনা খোঞ্জেল হৌনা লাউখি। জেলগী চৈরাক অসিনা ঐখোয়গী খোঙজং লোইগদবা নত্তে হায়নসু ৱোংনা মহাক্কী উকিলগী খূত্থাংদা ফোঙদোকখি।

হৌজিক্তি মখোয়না লাঞ্জং অদু থৌনা ফরবা প্রোটেষ্টর কয়াগা লোয়ননা জেল মনুংদা চঙশিল্লগনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, থৌনা লৈরবা প্রোটেষ্টর কয়া মীয়াম্না ইখঙ খঙনদবা ওইরবসু হোং কোংদা দিমোক্রেসি অমসুং ফ্রীদম পুরকপদা য়াম্নমক মরু ওই। ৱোংগী মতম শাংনা থবক তৌমিন্নরক্লবা কলিগশিং মশাগী চহী ২৩ শুরবা অগনিস চো অমসুং মশাগী চহী ২৬ শুরবা ইভান লাম কোর্টনা মথংশিংনা থা ১০ অমসুং থা তরেৎ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি। মখোয়সু হৌখিবা চহীগী জুলাই ২১দা প্রোটেষ্টর লিশীং কয়ানা পুলিস হেদক্বার্টরস কোয়শিন্দুনা হৌজিক্তি থুপচিনখ্রবা এক্সত্রাদিসন বিল অমা ৱিথদ্রো তৌনবা দিমান্দ তৌবদা শরুক য়াখিবগীদমক্তা চৈরাক পীখিবনি।

# গুজরাটতা মাস্ক উপ্তবশিং কোভিদ সেন্টরশিংদা থবক তৌহন্নবা কোর্টনা খঙহনখ্রে

গান্ধীনগর, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সী) : গুজরাটতা কোভিদ-১৯গী গাইদলাইনশিং ইন্দবগী মতাংদা নুংনাংবা অমসুং পেন্দবা উৎলদুনা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা গুজরাট হায় কোর্টনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা ফেস মাস্ক উপ্তবা মীওইশিং নুমিৎ মঙানিদগী ১৫নি ফাওবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা কম্যুনিটি সর্ভিসশিং পাঙথোকহন্নবগী নোটিফিকেসন অমা থোক্লবা দিরেক্সন পীখ্রে।

বি জে পিগী লেজিসলেটর কান্টি গামিতনা ইমুংগী ফঙ্কসন অমদা কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোল অমসুং গাইদলাইনশিং থুগাইখিবগী থৌওং হায় কোর্টনা পেন্দবা ফোঙদোকখি। কোর্টনা ইস্যু অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা করি তৌরিবগে হায়না হংখি।

সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইখিবা ভিদিও ক্লিপ অমদা গামিতকী মশুনুপী ইনগেজমেন্টকী থৌরমদা মীওই ৬,০০০ হেন্না পুনবা উৎখি। মী অয়াম্বা মাস্ক উপ্পখিদে অমসুং কোভিদ-১৯গী গাইদলাইনশিং ইন্নখিদে।

অসিগুম্বা থৌওং অসি থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি অমসুং খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থীবনি। অসুম্না মী য়াম্না পূনখিবদা পুলিসনা করি তৌরগা লৈখিবগে? গভর্ণমেন্টগী ওইবা থৌওংশিং পেন্দ্রে। অসিগুম্বা থৌদোকশিংনা কোভিদ-১৯গী গাইদলাইনশিংগী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে হায়না কোর্টকী ওর্দর অদুনা হায়খি।

পি আই এল ৫০গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা গুজরাটকী কোরোনাভাইরস অমসুং লোকদাউনগী ফীভমগা মরী লৈনবা সু মোটু হিয়ারিং অমদা চীফ জষ্টিস ভিক্রমনাথ অমসুং জষ্টিশ জে বি পার্দিৱালাগী বেঞ্চ অমনা গুজরাট গভর্ণমেন্টতা নোটিফিকেসন অমা ইস্যু তৌদুনা ফেস মাস্ককী কাঙলোন ইন্দবশিং লুপা লিশীং অমগী ফাইন থিহনবগা লোয়ননা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা সোসল সর্ভিস তৌহন্নবা ওর্দর তৌখি।

# ফার্ম লোশিংগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংদগী ওবজেক্সন অমসুং সজেসনশিং কৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সী) : নৌনা পাস তৌখিবা ফার্ম লোশিং য়ানীংদবা উৎতুনা হৌখিবা চয়োলদগী লম্বীদা লৈরকখিবা লৌমীশিংগী অৱাবশিং য়েংশিন্নবা হোৎনরদুনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা মখোয়না য়ানীংদ্রিবা ৱাফমশিং (ওবজেক্সন) অমসুং মখোয়না তৌহন্নীংলিবশিং (সজেসন) ইরগা পীরক্লবা খঙহনখ্রে।

লৌমী গ্রুপশিংগী লুচিংবশিং অমসুং গভর্ণমেন্টকী মরক্তা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবদা ৱারী শানবদা মপূং ফাদনা লোইশিনখিবা মতুংদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংদা মখোয়গী ওবজেক্সনশিং অমসুং সজেসনশিং ইরগা পীরক্লবা খঙহনখিবনি।

গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংদা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা অইবা দোক্যুমেন্ট সবমিট তৌরক্লবা হায়খি। গভর্ণমেন্টকী পান্দমদি লৌমীশিংগী অপাম-পামদশিংদু য়াম্না থুনা শগোলশেন নুমিৎতা খন্নবা অসিনি।

গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংগী গ্রুপশিংদা অনৌবা লোশিংদু মমুৎ তানা খঙনবা হোৎননবা অমসুং মদুগী মতুংদা মখোয়না য়ানীংদ্রিবশিংদু ফোঙদোরক্লবা হায়খি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লৌমী গ্রুপশিংদুগী মীহুৎশিং অমসুং এগ্রিকলচর মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিংগা বিগ্যান ভবনদা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর নরেন্দ্র সিংহ তোমার য়াওনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কয়াসু শরুক য়াখি।

এগ্রিকলচর মিনিষ্টর তোমার, রেলৱে অমসুং কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়লনা পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানাগী লৌমীশিংগী ওইবা ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিংগা লৈবাকপোকপগী নুমিৎয়ুংবদা ফম্মিন্নখি। মীফম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিংনা লৌমীশিংদা এগ্রিকলচরেল সেক্টর ফগৎহন্নবা পুথোক্লিবা এক্টশিং অদুগী কান্নবা খঙহনখি। তৌইগুম্বসুং লৌমীশিংগী মীহুৎশিং অদুনা লোশিং অদু মখোয়গী অনীংবা অপাম্বশিংগী মায়োক্তনি হায়না ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা তোমারনা নাকল অনীনা য়ানরগা লৈখাই তাবা য়ানবগী পান্দমগা লোয়ননা লৌমীশিংগী ইস্যুশিং মখা তানা খন্ননবা এক্সপার্ট কম্মিটি অমা শেম্নবা প্রপোজ তৌখি। ৱাফম অসি লৌমীশিংগী মীহুৎশিংনা রিজেক্ট তৌখি।

গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংগী মীহুৎশিংদা ফার্ম রিফোর্ম এক্টশিংগা মরী লৈনবা অকক্লবা ইস্যুশিং খঙদোক্তুনা মদুগী লিষ্ট অমা দিসেম্বর ২দা গভর্ণমেন্টদা সবমিট তৌরক্লবা হায়খি। মখোয়গী ইস্যুশিং অদু দিসেম্বর ৩দা পাঙথোকখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মীটিংদা খন্নগনি হায়না এগ্রিকলচর মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

# হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংদা হান্না ভেক্সিন থাগনি : য়ু এস পেনেল

ন্যু য়োর্ক, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সী) : য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওইনা হেল্থ ক্যের ৱার্করশিং অমসুং নর্সিং হোমদা লৈরিবা মীওইশিংদা হান্না কোভিদ-১৯ ভেক্সিন থাগনি হায়না হায় পৱার্দ গভর্ণমেন্ট পেনেল অমনা লৈবাকপোকপগী অথেংবদা লাউথোকখ্রে।

সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ত্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী) গী পেনেল অমগী মেম্বরশিংগী মরক্তা ভোট লৌনবদা অয়াম্বনা অহৌবগী ভেক্সিন দোজ মরাং কায়না ফংদ্রিঙৈ মনুংদা মীওই কাঙলূপ অনী অসিবু হান্না ভেক্সিনেসন তৌনবা রিকমেন্দ তৌখি।

ঙন্না ভেক্সিন থাগদবা মীওই কাঙলূপশিংগী মনুংদা নর্সিং হোমদা লৈবশিং য়াওহনগদৌরিবদু কোভিদ-১৯ লাইচৎনা পীরিবা শেল-থুম, অৱা-অনা অমদি অতৈ চৈথেং কয়া পূন্না খন্নরবা মতুংদনি। য়ু এসতা শিখিবশিংগী চাদা ৪০ মতম শাংনা লৈগদবা ক্যের ফেসিলিটিশিংদা লৈবা মীওইশিংগী মরক্তগীনি হায়না সী দি সী এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসননা ফাইজর নৎত্রগা মোদর্নাগী ভেক্সিনশিং ইমর্জেন্সিদা শীজিন্ননবা অয়াবা পীদ্রি। ৱারেপ অদু দিসেম্বর ১০-১৭কী মরক্তা লৌরবা য়াই। ভেক্সিন অনীমক পাক শন্না চথখিবা ষ্টদিশিংদা চাদা ৯০গী মথক্তা ইফেক্তিভ ওই হায়বসি উৎখ্রবনি।

ভেক্সিন অদুগী অহানবা দোজশিং চয়োল অনীগী মনুংদা ষ্টেটশিংদা য়ৌরক্লগনি হায়না সী এন এনগী রিপোর্টনা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগী ভেক্সিন কোওর্দিনেসন প্রোগ্রাম ওপরেসন ৱার্প স্পীদকী দোক্যুমেন্টশিং পল্লদুনা হায়খি।

অমেরিকাগী অপূনবা মীশিং মিলিয়ন ৩৩৩গী মনুংদা মীওই মিলিয়ন ২৫দি হেল্থ ক্যের ৱার্করশিং অমসুং লোং টার্ম ক্যের ফেসিলিটিশিংদা লৈবশিংনি। কুমজা ২০২০ লোইবা ফাওবগী মনুংদা ফাইজর অমসুং মোদর্নানা পূন্না ভেক্সিন দোজ মিলিয়ন ৪০ ফংহনগনি হায়না পানরি।

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা অমেরিকাদা কোরোনাভাইরস লাইচৎ য়ৌশিল্লকখিবদগী হৌজিক ফাওবদা অমেরিকানা মিলিয়ন ১৩ হেন্না ভাইরস অসি পোজিটিভ ওইবগা লোয়ননা অমেরিকান ২৭০,০০০ হেন্না শাথিরবা ভাইরস অসিনা শিহনখ্রে।




# ভোটর মশীং য়াম্না থোক্লকখিদবগী মতাংদা টি আর এস গভর্ণমেন্টদা মরাল থংজিনখ্রে

হায়দারবাদ, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সী) : গ্রেটর হায়দারবাদ ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (জি ঐচ এম সী) গী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মীখলদা ভোটর থোক্লকপগী চাং নেমখিবগী মতাংদা বি জে পিনা টেলঙ্গনাগী টি আর এস গভর্ণমেন্ট অমসুং ইলেক্সন কম্মিসন্দা মরাল থংজিনখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টির ওফ ষ্টেট ফোর হোম জি কিশান রেদ্দিনা হায়খি মদুদি টেলঙ্গনা রাষ্ট্রা সমিটি (টি আর এস) গভর্ণমেন্টনা পার্টিগী কান্ননবগীদমক্তা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন (এম ঈ এস) শীজিন্নদুনা ভোটর মশীং য়াম্না থোকহনখিদে।

ভোট থাদনবা লোইরবা মতুংদা বি জে পি ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট বান্দি সঞ্জয়গা লোয়ননা পাঙথোকখিবা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা রেদ্দিনা হায়খি, কোর্পোরেসনগী মীখলদা ভোটর মশীং য়ামদনা থোক্লকখিবসিগীদমক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইকায়গদবনি।

মায় পাক্লবা মীখল থেংনবগী মহুত্তা টি আর এসনা বি জে পি মায়থীবা পীনবগী লম্বীশিং ওইনা থিদুনা লৈরে হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা মহাক্না হায়খি, ভোটর মশীং য়াম্না থোক্লকখিদবগীদমক্তা মহাক্না লাইরিক লাইশু হৈবশিং অমসুং ইন্টলিকচ্যুএলশিংদা মরাল শীনীংঙাই ওইদে।

রেদ্দিনা মখা তানা হায়খি মদুদি, দুবাক্কী মরক্কী মীখলগী রিজল্ট অমুক হল্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈবদগী টি আর এসনা হাথু হাথুনা জি ঐচ এম সীগী মীখল কন্দক্ট তৌখি। কোরোনাভাইরস পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেব কিবদগী ভোটরশিং মশীং য়াম্না থোক্লরকখিদে। অরিবা সিটি অদুদা এম আই এমনা পাক্তক্লনা অরান অহুই কয়া তৌখি হায়নসু মরাল শীবগা লোয়ননা মহাক্না হায়খি, অরান অহুই কয়া তৌরিবদু পুলিস অমসুং ইলেক্সন ওফিসলশিংনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈখি। জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী বোর্দর দিভিজনশিংগী ভোটকী পার্সেন্টেজনা জি ঐচ এম সীদগী হেনখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# থাইলেন্দদা প্রোটেষ্ট কনখৎলক্লে, মিলিটরি মনুংদা প্রোটেষ্টরশিং শৌগৎপা য়াওরে

বেঙ্কোক, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সী) : কুমজা ২০১৪দা থাইলেন্দদা মিলিটরি কূমতুংদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী চাউবা ষ্ট্রীট দেমোন্সত্রেসনশিংগী মনুংদা অমা ওইনা হৌখিবা জুলাইদা থাই লিশীং কয়ানা গভর্ণমেন্ট রিজাইন তৌনবা দিমান্দ তৌবা মতমদা লৈবাক অসিগী আর্মি সর্জেন্ট ইকাচাই ৱাংকাফানা প্রোটেষ্টরশিংগী মায়কৈদা লেপখি।

প্রোটেষ্ট অদু পাঙথোক্কদবা চয়োল অমা ৱাৎলিঙৈদা এক্টিভিক্ত অমা জেলগী চৈরাক পীখিবগী পাউ অমা ফেসবুক্তা ফোঙলকখি। পাউ অদুগী মখাদা মহাক্না 'দিক্টেটরগী লৈঙাক লেপ্পু' হায়না ইখি। প্রোটেষ্ট নুমিৎ জুলাই ১৮দা মহাক্না ফ্রী য়ুথ প্রোটেষ্ট গ্রুপ হায়বা হেসটেগ য়াওবা পিকচরশিং অমসুং লাইভষ্ট্রিম অমা স্যের তৌখি। মদুগী মতুং চয়োল খরা লৈরগা মহাক্না 'অচুম্বা ঙাঙবদা জেলদা থাজিনবা লৈবাক' হায়না ইবা প্লেকার্দ পুবা প্রোটেষ্টর অমগী ফোটো স্যের তৌখি।

রোয়েল থাই আর্মিদা লৈরিবা মহাক্কী মথক থোংবশিংনা মহাক্না তৌরিবদু লেপ্পবা হায়খি। তৌইগুম্বসুং মহাক থবক থাদোক্লবা হান্ননা ৱারেপ লৌরমখি অমসুং ওক্টোবর থাদা আর্মি থাদোকখি। মীয়ামগী প্রোটেষ্ট কনখৎলকপা মতমদা সোসল মীদিয়া পোষ্টশিং থিংনবগী ওর্দর তোইনা থোকই। মখোয়না মাঙজৌননা ঈরাং থিংনবা হোৎনরবসু ঙম্লোই হায়না মশাগী চহী ৩৩ শুরবা ইকাচাইনা এজেন্সীগী ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর প্রয়ুথ চান-ওচা অমসুং নিংথৌ মহা ভাজিরালোনকোর্নগী মোনার্কিগী মায়োক্তা মীয়াম্না থা কয়া চূপ্পা প্রোটেষ্ট তৌরকখিবা মতুংদা লান্মীশিং, পুলিস অমসুং সিভিল সার্ভেন্টশিংগী মরক্তা লৈরিবা পেন্নদবশিং সোসল মীদিয়ানা এক্সপোজ তৌরক্লি। মমাঙদা পোলিটিকেলগী ওইবা ঈরাং কয়া থোকখিবদা থাই লান্মীশিংনা মরক মরক্তা প্রোটেষ্টরশিংদা সিমপেথি উৎখিবা লৈরবসু সোসল মীদিয়া থুংনা পাক শন্না শীজিন্নরকপদগী মখোয়না ফোঙদোক্লিংবা ফোঙদোকপগী চাংসু হেনগৎলকখি।

লান্মীশিং অমসুং পুলিসনা শীজিন্নবা চাট গ্রুপশিংগী মেসেজশিং অমসুং সোসল মীদিয়া পোষ্ট কয়া এজেন্সীনা রিভিয়ু তৌখি অমসুং পোষ্ট অমদি মেসেজ কয়ানা প্রোটেষ্টরশিংদা সিমপেথি উৎলম্বা অমসুং গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা লৈবশিংবু তাথী তাওইনা তৌবগী মওংদা নুংঙাইতবা নৎত্রগা অশাওবা উৎলম্বা থেংনখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF TRIBAL AFFAIRS & HILLS
IMPHAL, MANIPUR
-----
ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / NOTIFICATION
Imphal, the 1st December, 2020

No.12/NSP/2019-TA&H: Considering that many intending students could not register online on National Scholarship Portal for ST Scholarship for the year, 2020-2021 due to delay in admission by many Institutes, Online Registration both Fresh & Renewal on National Scholarship is extended till **15.12.2020** by DBT Team, NSP, New Delhi.

2. Further, the following points are clarified for those students applying for ST Scholarship - Renewal on National Scholarship Portal regarding the document to be uploaded as last academic qualification:

(i) For degree/diploma courses, marksheet of last academic year 2019 (1st/3rd/5th Semester) either pass or fail may be uploaded as marksheet of last academic qualification.
(ii) If result of examination conducted in 2019 is yet to be declared, Admit Card of the examination may be uploaded as proof of last academic qualification.
(iii) If both marksheet and Admit Card of last academic year examination are not available, Institutes may include in the Bonafide Certificate or issue a separate Certificate that examination for the academic year 2019-2020 is yet to be conducted.

3. Some Applications have been classified as defected from State Login, the applicants may correct/upload required documents as given in remarks and re-submit the application online on National Scholarship Portal at the earliest so that Institutes can re-verify and submit the same on National Scholarship Portal before 30.12.2020.

4. No complaints or request for extension of Online Registration of ST Scholarship on National Scholarship Portal will be entertained by this Office after 15.12.2020.

For any queries/assistance, contact mobile nos. 9402267219/ 9856301337/ 8974105400/ 9612255251.

Sd/- **C. Arthur Worchuiyo**
Director
Tribal Affairs & Hills

HL-B/6576/02 & 03

HL-P/8060/20/11-4/12

OFFICE OF THE
LANGON NIDHI LIMITED
Uripok Polem Leikai,Imphal West,Manipur-795001
Corporate Identification Number (CIN) U65929MN2020PLN014187.

We are looking forward for those candidates who are keen to work in this Financial Institute (Langon Nidhi Limited) and ready to grow with us.

| SL.NO | NAME OF POST | AGE | NO. OF POST | QUALIFICATION | SALARY |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | RECOVERY OFFICER | 25 AND ABOVE | 20 | 8TH AND ABOVE | 6000+INCENTIVE |
| 2 | OFFICE ASSISTANT | 25 AND ABOVE | 10 | 12TH AND ABOVE | 8000+ INCENTIVE |
| 3 | MARKETING EXECUTIVE | 25 AND ABOVE | 10 | BBA/B.COM | 10000+INCENTIVE |

Last date of form submission :- 13-12-2020.
Date of Interview :- To be notified later.
Office hour :- 10:30am to 3:00pm.
Form available at :- Langon Nidhi Limited Head Office (Uripok Polem Leikai Near Big B Cake).
Our Branch :- Ningthoukhong, Mayang Imphal.
Contact number :- +91 7349474881 or 3857960520.

Interested and eligible candidates may kindly submit their form and required Documents at Langon Nidhi Limited Manipur.

Sd/- Manager

HL-P/8153/2, 3 & 4

NATIONAL HANDLOOM EXPO: 2019-20
Urban Haat, Nilakuthi, Imphal East
ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / NOTICE
The 30th November, 2020

**No.29/AWAS-H/MELA/20I7-18:** Notice is hereby served for inviting applications from the registered primary weavers co-operative societies, SHGs and handlooms entrepreneurs for participation in the **National Handloom Expo, 2019-20** to be organized in connection with the **Christmas Festival,2020**, at the **Urban Haat, Nilakuthi, Imphal East** from the **10th to 24th December,2020** under the **Office of the Development Commissioner for Handlooms, Ministry of Textiles, Govt. of India** as partial fulfillment of the marketing event of the **National Handloom Development Programme (NHDP).** 10(ten) stalls are reserved on first come first serve basis for differently abled weavers/entrepreneurs, National and State Awardees. Considering the efforts to containing the existing situation of COVID-19 Pandemic, all the selected applicants are bound to strictly follow the prescribed SOPs during the Expo. Last date for submission of the filled in prescribed application forms is on the 7th December, 2020. Application forms and other details can be had from the office of the **Manipur Apex Handloom Weavers and Handicrafts Artisans CS. Ltd. (AWAS)**, .Governor's Crossing, Paona Bazar, Imphal West, during office hours

Sd/- **L. OJIT SINGH**
.Business Manager, AWAS, # 9366615957 HL-P/8170/3

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE
ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / NOTIFICATION
Imphal, the 2nd December, 2020

No. 9/254/2019 -SW: In pursuant to the letter No. CSSS-1305 (2) 3/2020-SW dated 27th October, 2020 of Administrative Department of Social Welfare, it is hereby notified for general information that all the Private De-Addiction Centres in the State will be regulated and get registered under the Department of Social Welfare, Government of Manipur. These centres shall conform to the prescribed Minimum Standards of Services for the Programme Under the Scheme for Prevention of Alcoholism and Substance (Drugs) Abuse, 2009 formulated by the Ministry of Social Justice & Empowerment as per cabinet .decision taken on 15-10-2020, until further order
,Registration form can be obtained from the Directorate of the Social Welfare Government of Manipur from 7th December, 2020 onward during office hour on payment of Rs.100/- (Rupees one hundred) only. The said guidelines may be download from **socialjustice.nic.in** or www.socialwelfare.mn.gov.in

Sd/- **Ngangom Uttam Singh**
Director, Social Welfare
Manipur HL-P/8169/3&4

# মেগা দাম শাবগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে

ইটানগর, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সী) : চাইনানা লৈবাক অসিগী ১৪শুবা চহী মঙাগী থৌরাংগী মখাদা টিবেটতা চেল্লিবা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী শরুক্তা অচৌবা হায়দ্রোপৱার প্রোজেক্ট অমা শারগনি হায়বা পাউ অমগী মতাংদা ওল অরুনাচল প্রদেশ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ এ পি এস য়ু) না কন্না নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে। পাউ অদুগী মতুংইন্না থৌরাং অদু মথং চহীদগী ইমপ্লিমেন্ট তৌরগনি। এ এ পি এস য়ুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি ষ্টেটনা চলাইবা চাইনাগী মীদিয়া এজেন্সী অমা ওইরিবা গ্লোবেল টাইমসনসু ফোঙলক্লবা ন্যুজ রিপোর্ট অদু য়ুনিয়ন অসিনা য়াম্না হকচিন্না লৌই। চহী কয়ামুক বোর্দর ৱাংমদা অচৌবা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং চথরে হায়বগী অকিবা লৈরকখি অমসুং এ এ পি এস য়ুনা হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অনীমক্তা লেপ্তুনা খঙহন্দুনা লাকখি।